
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ জীনসেঙ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ





**মালেমদা** ফংলিবা খ্বাইদগী মীওইবদা কান্নবা পীবা পাম্বীশিংগী মনুংদা জীনসেঙ পাম্বী অসি থোইদোক্লা শীংথানৈ। মালেমদা জীনসেঙ মখল কয়ামরুম ফংই। মরুওইবা মখল খরদি কোরিয়ান নৎত্রগা চাইনিজ জীনসেঙ, সাইবেরিয়ান জীনসেঙ, রসিয়ান জীনসেঙ, অমেরিকান জীনসেঙ, হিমালয়ান জীনসেঙ, সিক্কিমিজ জীনসেঙ অসিনচিংবনি। হিমালয় অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিং মরুওইনা মণিপুরদা ফংলিবা জীনসেঙ অসি থোইদোক হেন্দোক্লা স্যুদো জীনসেঙ নৎত্রগা হিমালয়ান জীনসেঙ নৎত্রগা নেপাল জীনসেঙ হায়বনচিংবা খঙনৈ। হায়রিবা জীনসেঙ মখল অসিগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *পেনেক্স স্যুদোজীনসেঙ (Panax pseudoginseng Wallich)* হায়না কৌই অমসুং *এরালিয়েসী (Araliaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। জীনসেঙ পাম্বীগী জেনেরাগী মমিং পেনেক্স হায়বসি লেতিনগী ৱাহৈনি অমসুং মসিগী ৱাহন্থোক্লা পূম্নমক ফহনবা ('Cure-all') হায়বনি। ঐখোয় মীওইবনা থাজনৈ মদুদি জীনসেঙ পাম্বী অসি মীওইবগী লায়না মখল কয়ামরুম ফহনবা ঙম্মী হায়দুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। অশেংবা জীনসেঙ পাম্বীগী মউ/মরা অসি হেক য়েংবদা ফী থোংদ্রবা মীওইবগী খ্বাংগী মখা থংবা শরুক (Human torso) মানবদগী পাম্বী অসি মীওইবগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনবা অমদি মীওইবগী লায়না কয়ামরুম শোয়দনা ফহনবা ঙমগনি হায়না থাজনদুনা য়াম্না কুইরবা মতমদা চাইনাদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। Panax pseudoginseng অসি Sub-species মখল অহুম লৈ। মখোয়শিং অদুদি -

(i) P. pseudoginseng ssp. himalaicus
(ii) P. pseudoginseng ssp. pseudoginseng
(iii) P. pseudoginseng ssp. japonicus অসিনি।


ময়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা স্যুদো জীনসেঙ হায়রিবা পাম্বী অসি খরা ইংলপ তৌবা চীংগী লমদমশিং মরুওইনা সিক্কিম, ভুটান, নেপাল, চাইনা, নোংচুপ থংবা হিমালয়গী লমদমশিং মরুওইনা পীথোরাগরগী মফমশিং, অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিং মরুওইনা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা জীনসেঙ মখল অসি সেন্টিমিটর ৭০ ফাওবা ৱাংই লোয়ননা কম্পাউন্দ লিফ ওইবা মনা ৩ দগী ৭ ফাওবা পাল্লি। জুলাইদগী ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা ঙাংশং ঙাংবা খূৎনাওবী তঙ্খাইমুক চাওবা মহৈশিং চবুন ওইনা পাল্লি।

পাউদমগী মতুংইন্না P. pseudoginseng দা খ্বাইদগী মরুওইবা কেমিকেল অসি Oleanolic acid Saponins অসিনি। হায়রিবা পাম্বী অসিগী মরাদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দ অসি Ginsenoside নি। পাউদম অমগী মতুংইন্না অনৌবা পাম্বীগী মরাদা Ginsenoside অসি চাদা ৪ রোম য়াওই অদুগা চহী ৬ লোম শুরক্লগনা শরুক ২ হেঙ্গৎলি। চহী ৫-৬ শুরবা মতমদা পাম্বী অসিগী হীদাক্তি ওইবা মগুন খ্বাইদগী হেন্না য়াওই হায়বগী পাউদমশিং লৈ। জীনসেঙ পাম্বী অসি চহী ২০০০ গী মমাঙদগী মীওইবা ফুরুপনা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপা পাম্বীশিংগী মনুংদা অমনি হায়না পাউদম্লি। জীনসেঙ পাম্বী অসি মীওইবগী শক্তি হেঙ্গৎহনবা, পুক নুংঙাইতবা, পুক নুংশিৎ কাবা, লোক থুংবা, অরুম-লাইহৌ তৌবা অমদি তোংশা কায়বদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাকপগী পাউদমশিং লৈ। মীওইবগী অথুক-অরাক তৌবা অমদি চনীং তাদবদসু জীনসেঙ পাম্বী অসি অফবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নৈ। পাউদম খরগী মতুং ইন্নসু জীনসেঙ পাম্বীগী মরূ অসি নুপী-নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবদা মতেং পাঙবা ঙম্মী। Antherosclerosis হায়রিবা শীংলি-নাওরিগী লায়না অসিদসু জীনসেঙ পাম্বী অসিদা থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। ঈগী খোঙজেল য়াম্না য়াঙবা (হায় ব্লদ প্রেসর) অমসুং ঈগী খোঙজেল তপ্পা (লো ব্লদ প্রেসর) অনীমক অসিদা জীনসেঙ পাম্বী অসি শীজিন্নবনা চাং অমদা পুরক্তুনা ব্লদ প্রেসর অসি চাং চানা থম্বা ঙম্মী। পাউদম অমগী মতুং ইন্না সাঞ্চি (Sanchi) হায়রিবা চাইনাগী অঙকপা হীদাক (Wonder drug) হায়নসু খঙনবা কেন্সর য়াওবা মখল মখা কয়াগী লায়নাশিংদা শীজিন্নরিবা হীদাক অসি শাবদা জীনসেঙ পাম্বী অসি য়াম্না মরু ওইবা মচল অমা ওইরিবনি। টোনিক মখল কয়া শাবদসু জীনসেঙ অসি মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ।

## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা

: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### কবোকৈ অমদি হামেঙ

হামেঙ অমোম অমনা কবোকৈগী মখুত্ত'ই;
নাম্থোক্তুনা করম্না হিংজরকপা শিবদ'ই,
ৱারী অসি মোগগাল্লানা তমখি বোধিসত্ত্বদা।
বোধিসত্ত্ব লৌশিংবা তমখি মোগগাল্লানাদা,
"হামেঙ ময়াম হোইরকখি খুর'চীংনুংহুত্তগী;
হামেঙ অমোম অমদি তামখি শল্লুপলক্তগী
শুরুং অম'ই মপান্দা কবোকৈ 'মা লেপ্লম্মী;
'লোইরেদনা ঙসিদি' হামেঙদুনা খল্লম্মী,
"নৌজ-থেমজ ৱাহৈনা চঙজরগে খন্দুনা,
"কাকা, কমদৌবীরিগে, পানবীরিকো নুংঙাইনা"?
খঙলে কবোকৈনবুঃ- লৌনম তৌরে চেন্দৌরে,
"বেম্মা হামেঙ ফজবী! নঙনা ইমৈ নেৎপীরে।"
"কাকা অদুম তাকপীনু; করি লানখ্রে ঐহাকপো!"
'নেৎলোইদবা করিগী, ইমৈ অসুক শাংববো!
চীংজাউ-ঈচাউ কয়ানা মহাদেশ ময়াম্না,
শন্দোকপগুম শন্দোক্লি ঐগী ইমৈ অসিনা।"
"নমৈদিনে নহাক্কী শন্দোক্লমনি শরা-শন।
ঐদি চৎলি নুংশিত্তা খমগোন মালং শন্ন-শন।"
'চৎলিগনি নুংশিত্তা 'দুবু খঙউ মসিমা;
লাকপদবু নহাক্লা মাঙলে চীঞ্জাক কয়া'মা;
চাজদৌবা শজিসু নঙনা লোইনা তানখরে।
লাইবক থীর' হামেঙদো কবোকৈনা চাখরে।
অসিনিদো মোগগাল্লানা শারমচৎপু কৌবদো;
অমুক লীথোকহৌর'সু মতুং হাৎখি শোয়দেদো।"

# মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ু এন সীনা মণিপুর মীয়াম্বু লায়রা তালহনবা

— থৌদাম তোম্বা মীতৈ —

**অফবা** তৌনবগীদমক্তনি মীওইবনা হিংদবা য়াদে হায়দুনা হিংনরিবা, ফত্তবা ৱাখলগীদমক্তদি ঐসু মীসু শিখিবনা হেন্না ফৈ। গভর্ণমেন্টনা অমসুং য়ু এন সীনা তৌথোরকপা মতৌ খুদিংনা তাকই নখোয়না করি ৱাখল খল্লি হায়বসি। ঐনা চীফ মিনিষ্টর ওইনীংলিবা অমদি ওইরিবা, ঐনা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনীংলিবা অমদি ওইরিবা, মসি করি মরম্না ওইহনবনো? গভর্ণমেন্টগী থৌদাং পাঙথোকপা হৈত্রবদি গভর্ণমেন্টতগী য়াম্না লাপ্না লৈখিবনা হেন্না ফৈ। সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরগা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা, লৈবাকপু অরুবা ফীভমদা লৈহন্নবা হোৎনগদৌবা ওইরগদি সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনদগী য়াম্না লাপ্না লৈখিবনা হেন্না ফৈ।

গভর্ণমন্টেনা ব্লোকেদ লাকশিনবা ঙমদবদগী মণিপুর মীয়াম্বু লায়রা তালহল্লে, লায়রবা ইমুংশিংনা নোংমগী চান-থক্লবা লুপা ৫০ না কোন্নরম্বদু লুপা ৮০/৯০ য়ৌহল্লে। চৎত-য়াদবা অনা অয়েক্কী, অশি অনাগী, পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৭০ না য়ারম্বদু লুপা ১৮০-২০০ তিংহল্লি, শীজিন্নদবদি য়াদবা লোকেল মার্কেটশিংদা ফংলম্বা পোৎশিং ফংলক্তবনা ইম্ফালদা চৎনবা হোৎনবদা লুপা ৫০/১০০ পীবা পোৎ অমা লৈনবা হোৎননবদা ভারা লুপা ৫০/৬০ হেন্না তিংহল্লে, মসিবু লায়রবা তালহনবা নৎত্রা?

মণিপুরদা হীরম খুদিংদা শীজিন্নরিবা পোৎলম খুদিং চাদা ৮০ দি মপান লমদগী লৌরুরগা নেসনল হায়ৱেদা পুশিল্লক্কদবা ঙাক্তনি। মসিদা হায়রিবা লম্বীশিং অসি থিংদুনা লৈখ্রবদি মীয়াম ৱারোইদবগী মরম লৈব্রা? অদুনা ব্লোকেদকী মতাংসিদি হন্দক্কীসিনা অহানবসু নত্তে। গভর্ণমেন্টসিনা চহী ১৫ রোম পায়রক্লবা মনুংসিদা কয়া অমা তৌখ্রে। শাংল-শালংবা মতম কয়ানা খুজিং ওইবসু য়াওখ্রে। মরম অসিনা গভর্ণমেন্টনা ব্লোকেদকী মতাংদা য়াম্না হকচিন্না লৌবা মতম ওইরে হায়বসিনি। মসি নত্তদনা অতোপ্পা কাঙলুপনা তৌনিং তৌজরে, ৱাজবা কাঙবুনা ৱাজরে হায়বগী মতৌদা করিসু নাচুংদনা লৈথোকপা অসিদি মীয়াম্না ঙক্তবা ঙল্লোই। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল অমদি লমদমদুগী মীওইশিংনা তৌনিং তৌনিংবা অমদি ঙাঙনিং ঙাঙনিংবা ঙাঙবনা ভগর্ণমেন্টনা দিমোক্রেসি ওইনা সুম উদুনা লৈবা অদুগা তম্পাক্তা চঙশিনবা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়াবুনা এন্টি সোসিএল, এন্টি নেসনল ওইনা উবা, রোবিনহুদ লৈখিদবগী চৈনা হৌজিক ফাওবা দাগফম কোক্লদ্রি। পীকখ্রবা মণিপুরসিদা মচি মচিগী ওইনা লৈঙাকপদৌনা তৌরিসিবু করিগীনো? অমরোমদা হন্দক্কী ব্লোকেদ তৌরিবশিংসিদি য়াম্না হেন্না চৈরাক পীবসু য়াই। ঙসি ফাওবদা ব্লোকেদ তৌরিবশিংদা করিগুবা মখল অমত্তগী চৈথেং পীরক্তবনা নোংমা নোংমগী নাউ চাউবা হেনগৎলক্লিবনি। মরম হায়ববু হৌজিক হৌজিকসু মতম শাংনা ব্লোকেদ তৌশিনবা ঙল্লিবসিনি।

মসিদা গভর্ণমেন্টনা ব্লোকেদ তৌরিবশিংবু থেংনবা ঙমদবদগী ষ্টেট ফোর্স শীজিন্নদুনা পোৎ পুবা গাড়ীশিং লৌবা চৎলি, ঐখোয়না পাল্লিবদি মসি নত্তে, আইনগী মিৎয়েংদা চপ চানা য়েংঙু অমদি ব্লোকেদ তৌবা য়াদে হায়বসি চপ চানা খঙহনবা পাম্মী। গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট ফোর্সকী মতেংনা পোৎ লৌবা চৎপীগদৌবা ওইরগদি নহান্না নবেম্বর ১ দগী ব্লোকেদ তৌরনি খঙলবনিনা নোংঙানবগা পোৎ লৌবা চৎপা য়াদব্রা? করিগী মতম শাংনা মীয়াম্বু অমুক লায়র তালহল্লিবনো? য়ু এন সীনসু খঙগদবদি হন্দক্কী ব্লোকেদসি কয়ামুক মরম চাই-চাদে হায়বসিনি। ঐখোয় খুদিংমক আইনগী মখাদা হিংগদবনি, আইন্না য়াদবা থবক তৌবা হায়বসি ২১ শুবা সেঞ্চুরিসিদা হিংলিবা সিটিজন অমনদি য়াম ইকায়নীংঙাইগী পুন্সি মহিং অমনি। অমরোমদা সদর হিল দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবদা য়ু এন সীনা করিগী অদুক হাক্লা থার্দ ৱর্ল্ড ৱার থোকপদৌনা ৱারিবনো? ষ্টেট অমগী দিষ্ট্রিক্ট, সব দিভিজনেল, ব্লোক লেভেল মথং মথংগী মতৌ অসি লৈবাক্তুগী এদমিনিষ্ট্রেটিব নুংঙাইনবা শেম্বা তাবনি। অসুম্না এদমিনিষ্ট্রেটিব নুংঙাইনবা অমদি খুদোংচানবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমনা শীল্লকপদা ঐখোয়না মদুবু ইকায়খুম্নগদবনি অমসুং য়াফমসু থোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট শেম্বনা ঐ ঐগী লমদা অকায়বা লৈ, ঐ ঐগী ফুরুপ্তা অকায়বা পী খল্লগদি ৱর্ল্ডদা লৈরিবা লৈবাক ময়ামগী দিষ্ট্রিক্টশিং অমত্তবু লৈরল্লোই। শেম্বা মতমদা ঐ ঐগী অনকপা মফমগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুলহনবীয়ু হায়বগী ৱাখল্লোন্দুনা অমনি, হেক্তা লৈবাকসিগী মপু শাদুনা য়ু এন সীনা তৌবসিদি হেনজিনবা ৱাখল্লোন্নি। নখোয়গী খোঙথাংসিনা চল্লবা মীয়ামগা গভর্ণমেন্টগা অপেন পেন্দগী মতাংদা মুক্ল বসু হেনগৎহল্লে। অসুম্না ঈৰাং ওইহন্নবা ৱাখল্লোনসি খন্থবা ফৈ। ফুরুপ য়াম্বা লমদমসিদদি ঐ ঐগী হায়বা ৱাখল্লোনসি খরা খরা হন্দোক্ল দ্রবদি লাইনা ফাওবা ৱায়েনবা ঙল্লোই।

মণিপুরগী তম্নরিবা লাইরিকশিংদা 'ৱি আর মণিপুরী' হায়বসি ক্লাস ৱান্দগী হায়র ক্লাস ফাওবা লেপ্তুনা তমহনবা অমা মথৌ তারে নৎত্রগদি মণিপুরদা হিংলিবা ঐখোয় ময়ামসি অমগা অমগা মশক খঙনদবা, হৌমিন-চামিন্নরক্তবা, য়েক্লবা লৈবাক অমমমগী সিটিজনদৌনা লৌনরক্কদৌরি। অমরোমদনা ফুরুপ য়াম্বদা নত্তনা ঐ ঐগী হায়বা ৱাখলনা মাং থানরক্লবা লমদমসিদা ওইগদবা চীফ মিনিষ্টরদি মমাঙদা ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর ওইসনু, হৌজিক ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর ওইসনু, তুংদা ওইরক্কদবা চীফ মিনিষ্টর ওইসনু অফবগী লমদা অশানবা মিৎয়েং উবা ঙম্বা, চহী মঙাদা, চহী ১০ দা, চহী ২০ দা থোক্লক্কদবা কয়াবু উবা ঙম্বা চীফ মিনিষ্টর অমদি মতম চুপ্পদা মথৌ তাই নৎত্রগদি ঙৈহাক ঙৈহাক্কী ৱাখল চেল্লগা ঙাঙথোকখিবা ৱাদুনা অমসুং তৌথোকখিবা এম ও য়ু কয়াশিংদুনা মণিপুর মৈ চাক্লনবা লম্বী ওইহল্লকই। অদুনা মণিপুরদা ওইগদৌরিবা চীফ মিনিষ্টরদি দাও য়াবনা ওইবা য়ারোই, অফবগী লমদা মালেমগী ফাওরবা পোলিটিসিয়ন অমদগী তাদবা মী ওইগদবনি। মসিগী থাক্কী মীওইশিং য়াওদ্রগনা নখোয়না করিগী পোলিটিক্সতা খোঙদারক্লিবনো? য়ূম্বী লৈতবা মফমদা কেগেনা মহুৎ শিনবনি হায়দৌরিব্রা? গভর্ণমেন্ট অমগী মখাদা মীয়াম্না ঈংনা চিক্লা নুংঙাইবা পুন্সি মরেল লেনগদবদু ঙসি মণিপুরীশিংদা ওইবা ঙল্লিব্রা? মী খুদিংমক লৈবাক্কী ইশ্যু কয়াশিংসিনা হায়পরটেন্সন লোয়না লৈহল্লে, থম্মোয়গী লায়না নারকহন্নবগী মচাক কয়া ওইহল্লে। মীচম মীয়ামগী মফমদা অৱাবা য়ৌহল্লমদনা লোইশিনখিবা ইশ্যু অমত্তবু য়াওদ্রে, অৱাবগী মরম খুদিংমক মীয়ামগী থোংজিন লোইনা য়ৌহল্লে, মসিরা মণিপুরী মচা অমনা ২১ শুবা সেঞ্চুরি মতমসিদা হিংগদবা পুন্সি মহিংসে?

লমদমসিদা ব্লোকেদ য়াম তৌগল্লি হায়বসিদি গভর্ণমেন্টসিনসু খঙবনি অদুবু অখন্নবা থৌরাং অমত্তদি পায়খৎত্রি, সেন্টরদা কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈ মণিপুরদসু কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈ মতমদুদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থল্লম্বদু হৌজিক্তি ঙমদ্রে। হৌজিক্লা হীরমসিদা কোংগ্রেস, বি জে পি মরৈ তৌনদুনা লৈরে। অদুগা ব্লোকেদসিগী মতাংদা মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পি কাঙবুদা অচৌবা রোল অমা লৌহন্নিংবা মতৌ উৎলিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোনসিসু অশোয়বা অমনি। মণিপুরদা বি জে পি য়ুনিটসি লৈরমদ্রবদি ব্লোকেদসি সুম তৌবগী মতৌরা? ষ্টেটসিগী গভর্ণমেন্টসি কনানো? কনানা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌবনো? কনাগী খূৎয়েক্লা ওথোরিটি ওইগদবনো? নুংঙাইবগী মচুম্না গভর্ণমেন্টসিনা চাবা, অৱাবা তারকপদনা পূম্নমক্কী থৌদাং লৈবদৌনা খনবা মতৌসিসু ফজদে। মসি হায় হায়দুনা ঐবু বি জে পি ওইনা উবীগনু। মথক্তা পনবা হৌখিবা থৌরাংগী মতাংদা অমুক লাকচগে। থাউগী মতাংসিসু পাইপ লাইন সিষ্টেম তৌবনা ফরনি। রেল লাইন কনেক্টিভিটি থুনা হেনগৎহনবা মথৌ তারে। এয়রপোর্ট মতিক চাহন্দুনা কার্গো প্লেন মতিক চানা পাইহনবা মথৌ তারে। মসিগুম্বা পান্থৈশিংসি থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিবা মনুংদদি ব্লোকেদ তৌগনবা মীওইশিং থেংনবা ঙম্বা নুপা থোকপা চীফ মিনিষ্টর অমা অমসুং স্মার্ট ওইবা গভর্ণমেন্ট অমা মণিপুর মীয়ামগীদমক লৈবা মথৌ তাই।

হৌজিক য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ফাবসি মরম চানা এক্সন লৌহৌবনা চুমগনি। মখোয়না মী কয়াগী পুন্সি ৱাহনবা, মীওই কয়াবু অহেনবা পৈশা চৎহনবা, মীওই কয়াবু মেন্টেল হরাসমেন্ট পীবা, গাড়ী কয়া মৈ থাবা, গাড়ীদা য়াওরকপা পোৎলম কয়া মাঙ তাকহনবা পূম্নমক মরীক চুম্না চার্জ তৌদুনা কোর্টতা লানখৎকদবনি।

হন্দক্কী মতাংসিদা ব্লোকেদ তৌবসিদি শুকয়া য়াদে হায়বসিমদি খঙহনবীরো নৎত্রগদি অমুক হেন্না নৱাংবা হেনগৎলক্কদবদু গভর্ণমেন্টনা খন্থবিবা চুম্ব্রা খল্লি। ইশ্যুদি মতম মতমগী অদুম থোক্লক্কনি, ইশ্যু খুদিংমক ব্লোকেদতা শুম তাইনরক্লগদি কমদৌবা? অদুনা আইন্না য়াদবা থবক তৌবগী আইন্না মসি ফাওবা দন্দি পী হায়বদো মীয়াম পূম্নমক্তা খঙহনবা চুমগনি নৎত্রগদি মমৈথংদা ব্লোকেদ য়ারমদবা তম্পাক্কী মীওইশিংনসু ইশ্যু কয়াদা ব্লোকেদ তৌরকপসু য়াই। সেকমাইদা, করিদা মীতৈ তাবা লমশিংদা লোয়না থৎলকপা য়াই। অসুম্না তৌরকপদা গভর্ণমেন্টগী ফীরেপ ৱারক্কনি। ঐখোয়না য়ু এন সীবু য়েক্ল বা অমা ওইনা উবদি নত্তে, গভর্ণমেন্ট অমদি আইন্না তৌফম থোকপদুদি কান্দুনা চৎহন্নীংদে। অদুগা প্রোব্লেমসিগী মতাংদা সোলুসনগী ৱাফমদি ঐখোয়না ৱা হায়বা ঙমদে। মরমদি সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীসিনা অমনা অমদা তাইশিন্নদুনা ঙকচাউ থেক্লদুনা লৈরিবা মওং মতৌ অসিদা কনানা করিবু হায়নীংবা ফাওগদৌরিবনো? অসুক কুইনা মীয়াম্বু শেল হেন্না তিংহন্দুনা ৱানা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী নাকোংদা সেন্টরনবু ওইরো, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনবু ওইরো অফবা পোরমগী ৱাহৈ ৱাতাবু অমত্তা তাবা ফংদ্রি। ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিসিদি মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা মাল্লক্ত্রে, মানা মানা তৌনীং তৌনীংবা তৌননবা দিমোক্রেসি মাল্লক্লে।

ব্লোকেদসি গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম্না হকচিন্না লৌদবা য়ারোই। মসিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবা অমদি মীয়াম্বু পৈশা হেন্না চৎহনবা, মসিখক্তদা উবা য়ারোই। য়াম্না চাউরবা মরম অমনা ব্লোকেদনা চীংমী তম্মী অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীবু খাইদোরক্লবগী হৌরকফম ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ব্লোকেদনা তম্পাক্কী মীয়ামদা অহেনবা টেন্সন পীরি অদুগা কাউন্টর ব্লোকেদনা চীংমীশিংদা অহেনবা টেন্সন পীরি মসিদা কন্ট্রোলনা ময়ায়দা লৈরি। করিগুম্বা কন্ট্রোলনা মাঙখিবা মতমদা মণিপুর করি ফীভমদা লাকপা য়াই?

### ময়রোল থোকপা লাই

